theatre event
2021

লাইরেনকাবী য়ুথ দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ‘শারুং খুল’

কোরস রিপর্টোরি থিয়েটর, ইম্ফাল’না শীনবা প্লে মঙাগী ‘থিয়েটর-ইভেন্ট’, য়ুম্মু ওইরিবা কম্পেনি অসিগী ‘পূর্বরঙ্গ’ (ৱাহৌদোক)- পর্ফোর্মেন্স অদু থারগনা তরুক, দিসেম্বর ১২, ২০২১দা মণিপুরগী শক্লাইরবা ফিল্ম-মেকর শ্যাম শর্ম্মা’না হৌদোকখি। পূর্বরঙ্গ- পর্ফোর্মেন্স অদু ‘নাত্য-সান্ত্র’গী মতুংইন্না, দ্রামাটিক পর্ফোর্মেন্স অমা শোয়দ-ঙামদনা পাঙথোকচবা ঙম্নবা থৌনি-থৌরম অমনি হায়না লৌরগদি, ইভেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা অতোপ্পা প্লে মঙা অদুগী অসুপ্পা ৱাহৌদোক অমনি হায়না লৌবা তাবনি।

ইভেন্ট অসিগী নীনি চনবা নুমীৎ- লাইরেনকাবী য়ুথ দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী ‘শারুং-খুল’ ঊৎখি। তাবুনুংদা লোত্তুনা, থূপচাননা থমখ্রবা, লমদমসিগী লীরবা ৱারী- শীংবুলশিংদুগী মরক্তা অমা খনগৎলগা দ্রামা ওইনা ইথোরকপনি- ‘নিলধ্বজ খুমন’না। অইবা মশামক, লমদমসিগী শক্লাইরবা থিয়েটর দিরেক্টর অমসু ওইবনা, চেকশিন্না ইরবা প্লে অমগী মশক্তু, ‘শারুং-খুল’ প্লে অসিদা উবা ফংই। ‘শারুং-খুল’গী খুল্লাকপনা, খুল’দুবু কোল্লিবা ‘নুংবী-লাই’দা খুঞ্জাশিংগী য়াইফনবা থৌনিজবদা ৱাশকখি- ‘মোইরাং নিংথৌগী মফমদা চহী খূদিংগী কৎলকপা কূমগী লোইপোৎ, কুমশি চহীদগী কৎলরোই’। খুঞ্জাশিংদা লাউথোকখি- শারুং-খুল, মোইরাং নিংথৌগী মখা পোন্দবা, নীংতম্না পাঞ্জবা খুঙ্গং অমা ওইনা হিংলগনি... কূমগী লোইপোৎ অমুক হন্না কাররোই... লোইপোৎ কারুদবগী মোইরাং নিংথৌনা হুইয়েন-লান শীংনরক্লবসু চপ চানা লানবা পাগনি, লোইপোৎ থৌবা লাকপা মোইরাং-অঙম্বশিং লালু-চোমায় লৌগনি, অককপা মকোক অদু নুঙবী-লাইদা কৎকনি’...। খুল্লাকপগী ৱারেপ্তু লূপলাকপনা য়াখিদে। পাঙ্গল শোনবা, অপীকপা ফুরুপ ওইরিবা, শারুং-খুলগী খুঞ্জাশিং- অকনবা মোইরাং নিংথৌগা লানবা পাঙল্লোই, খুঞ্জাশিং অৱা মায়োক্লগনি। খুল্লাকপগী মীচঙ, অমসুং লূপলাকপগী মীচঙ- নাকপাক অনী থোক্লকখি।

পাউ অদু তাবদা মোইরাং নিংথৌ, অশাও খামবী মৈহৌখি। অহল মতম ওইশিল্লক্লবা লৈরীজাম্বা অথৌবদা শারুং-খুলদা লান্দাদুনা লোইপোৎ খোমগৎলুনবা থৌদাং অদু শীন্নখি। কাকয়েন শুজা অথৌবা অমসুং কৈশিলেম্বী অনীগী মপারী, লৈরীজাম্বনা মচা শক্লা য়োকহৌবা ‘চোইময়াই’ কৌবা অথৌবা, মপাবুং’- মহুৎ শীন্দুনা শারুং-খুল তম্না খোঙশানখি। লোইপোৎ থৌবা খোঙচত্তুদা থেংনখি- খুল্লাকপগী মমোল্লোই, মশানৌ ইবেম্মা ‘গাইরেমনৈ’।

অফোংবা লান’দা মায়োক্লবা ঙল্লোই খঙলবা খুল্লাকপ’না অরোনবা শরৌ-লাং থাক্তুনা ‘চোইময়াই’বু য়াংলৈ পীথক্তুনা পীজ-পীথক তৌরগা পঙথহল্লগা লুরেন লৌখি। লুরেন অদু শনথোঙদা থেত্তুনা, পোম্বী ক্বাক্লা তোংদুনা মাংথোক্লগদবা মীকূপ অদু ঙাইখি। অদুবু, মশাবীগী থৱায় মিরেল’না গাইরেমনৈগী মফমদা লুরেলদুদা পোম্বী ক্বাক্লা তোংলদ্রিঙৈ ময়ূম লমদম মোইরাংদা থিনবীদুনা লৈরোল চলহনবীনবা তেংথা-নাওই কপ্লকপদুদা খাঙবা ঙমদদুনা, মপা খুল্লাকপনা উদ্রিঙৈ মশাবীগী লুরেন’দু মপা লৈরীজাম্বগী মফমদা শীন্নরুই। মপাগী অনীংবা অপাম্বা অমদি মরমদমগী য়াইফনবা য়াইবী লৌবা-অৱাবনা পোলোই ওইবা ৱারীনি।

‘বার্বারিজম’না চৎনবী ওইরিঙৈ মতমগী ৱারী অমবু, অচৌবনা মচাবু নৈহৎপা, অকনবনা অশোনববু তুহৎপা, অশোনবনা অকনবগী মথক্তা হৌবা লালহৌ, পেত্রিওটিজম অমদি ফ্রীদম-ষ্ট্রগলগী ঈহৌগী ইস্যু পুশিল্লক্তুনা, মোদর্ন প্লে অমা ওইহন্নবা হোৎনরকপা, প্লেরাইতকী এক্তেমপ্ত অসি থাগৎনীংঙাইনি। ত্রেদিসনেল ওইবা প্রদক্সন ষ্টাইল’দা, বেকদ্রোপ অমদি সিনিক দিজাইন শীজিন্নদুনা শান্নবা-প্লে অমা ওইরম্লবদি হেন্না নুংঙাইবা দ্রামা পর্ফোর্মেন্স ওইরমগদবা অদু ‘স্রাইন প্লে হাউজ’গুম্বা মোদর্ন-প্লে-স্পেস অমদা পুথোকখিবনা ঈশিংগা থাউগা পূনশিন্নবা/অমত্তা ওইয়ু য়াদবগুম্বা, মীত্তা মরিং মরাংবা খজিক্তং থোকখিবদু নত্তনা, প্লে অদু মীয়ামগী থম্মোয় খোন্দুনা পুম্বা ঙম্বা প্লে অমদি ওইখি।

লাইরেনকাবী য়ুথ দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী *শারুং-খুল* প্লেগী মমি

লাইরেনকাবী য়ুথ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন- মমিংসিমক্লা তাক্লিবা লোয়ালমগী নহা ওইরিবা দ্রামাটিক এক্টর/প্রদ্যুসরশিংগী ওর্গনাইজেসন অমা ওইরবসু, অহল ওইরবা আর্টিষ্টশিংনা নহাশিংবু লমজীংবীরি হায়বা দ্রামাটিক পর্ফোর্মেন্স অসিনা তাক্লে। মরুওইনা, দিরেক্টরগী থৌ পুবীখিবা ‘টি শামু’বু থাগৎচবগী মথক্তা নহা ওইরিবী, ইচাগুম্বী এক্টরশিং রানীবালা, বিদ্যালক্ষ্মী অমসুং রোসনি- মখোয় অহুম্বুদি অখন্ননা থাগৎতবা ঙমদে।

দিসেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমীৎ, বনিয়ান থিয়েটর রিপর্টোরিগী ‘জালিয়ান-ৱালাবাঘ’ উৎকনি।

ইশাগী হার্টপু খুদোং থীবা

লৌশিং পুক্কে

থোকহনবা য়াবা ঐখোয়না তোয়না তৌবা হৈনবী-শাজৎশিং

হার্ট নৎত্রগা থম্মোয় হায়বা অসি ঐখোয় মীওইবগী হকচাংগী খ্বাইদগী মরুওইবা কয়াৎনি। মসিবু হকচাংগী ‘তঙাইফদনা মথৌ তাবা’ কয়াৎশিংগী মনুং চল্লিবা অসিগী মরম অমা লৈ। ঐখোয়না ইশাগী হকশেলগী মতাংদা মরু ওইনা খল্লবসু, কার্দিও-ভাস্কুলর এক্সর্সাইজশিং, কোলেষ্টরোল নেম্বা চীঞ্জাকশিং অমসুং পুন্সি মহিংগী অহোংবা কয়ানচিংবা হৈনবীশিং অমদি কাঙলোন কয়া মথৌ তারিবা ঐখোয়গী থম্মোয়/হার্ট অসিবুদি হেক হেক থৌশানরুদে। ঐখোয় অয়াম্বনা অসিগুম্বা কয়াৎ অসিগীদমক মথৌ তাবা কাঙলোনশিং অসিবু ইশানা খঙনা ঙাক্লা চৎত্রগসু, অফবা দাইট অমসুং চাং নাইবা হকচাং শাজেল হায়বসিনা মথৌ তারিবা থবকশিং অদুবু ঐখোয় ইশা খঙজদনা মথন্নতা তৌজে। অসুম্না থৌওং অসিদা ইশা খঙজ দবা অসিগা চপ মান্ননা ঐখোয়গী পুন্সি মরেলগী মচাক কয়ামুক্লা ঐখোয় ইশাগী হার্টপু কয়াম্না মাঙ তাকহনবা য়াবগে হায়বা অসিসু খঙজদবা য়াই। অদুগুম্বা, হার্টপু খুদোংথীবদা তাহনবা য়াবা, ইশানা য়াম্না চেকশিঞ্জগদবা হৈনবী-শাজৎ খরগী মরমদা মখাদা পীরি।

এক্টিভিটি চাং নাইনা তৌদবা: মীওই অমনা মশাগী এক্তিভ ওইফম থোকপা চাং য়ৌনা করিগী এক্টিভ ওইদ্রিবনো হায়বগী মরম কয়ামরুম লৈ। ইশাবু ফিট ওইনা অমদি নুংঙাইনা থমগদবা হকচাং শাজেল তৌনবগী প্লান অমা পুথোকপা ঙমদবনা ওইবা য়াই। অতোপ্পা মরমশিংসু লৈবা য়াই, খুদম ওইনা থবক কা হেন্না চিনবা পুন্সি মরেল অমা ওইবনা থবক্তা অদুম মায় ওনশিন্দুনা লৈবা অমদি নোংমগী লোইশিল্লকপা শরুক্তা পাঙ্গল-থৌনা পুম্নমক লোইথোকখিবনসু ওইবা য়াই। অদুমওইনমক, ইশাগী থম্মোয় মশা ফনা লৈহনগে হায়রগদি চাং নাইনা হকচাং এক্তিভ ওইনা লৈবা মথৌ তাই, অমদি মসি হায়রে হায়দুনা জিমদা মতম য়াম্না শাংনা লৈয়ু হায়বগী ৱাফম নত্তে। তপ্না তপ্না হৌরকপা য়াই, অদুবু অহৌবা হায়বা অদুদি শোয়দনা লৈগদবনি। য়াম্না তপ্না হায়বদি খোঙনা চৎপদা ওইরবসু মিনিট কুনমুক্তং য়াম্না অতেনবা মতম্না ফাওবা হার্ট মশা ফহন্দুনা থম্বদা য়াম্না চাউবা কান্নবা পী। মিনিট কুনখক্তং চৎপা, চেনবা নৎত্রগা মশান্না অমা শান্নবনা ইশাগী কার্দিও-ভাস্কুলর হেল্থতা য়াম্না চাউনা মতেং পী অমদি মসিনা কোলেষ্টরোল হন্থহনবা, ব্লদ প্রেসর হন্থহনবা অমদি হকচাংগী অরুম্বা হেন্না চাং চানা থম্বদা মতেং পাংই।

মৈখু শীজিন্নবা: হীদাক মনাগী পোখোকশিংগী মখুম নৎত্রগা মকুদা এদভর্টাইজ তৌদুনা ‘স্মোকিং কিল্স’ হায়না থাবা ৱাহৈ পরেং অমা হাপ্পুনা মীয়ামদা চেকশিনৱা পীরিবা অদু অশেংবা ৱাফমনি। মৈখু শীজিন্নবা অসিনা অমাঙবা কয়ামরুম পী অমদি হার্টকী হকশেল ফত্তবগা মরী লৈননা শিবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি মৈখু শীজিন্নবনা ওইহনবনি। কার্বোন মোনোওক্সাইদ অসি চীরুটকী প্রিন্সিপাল ইলিমেন্ট অমনি, অমসুং মসিনা ব্লদ কাউন্টকী ফিভম হকচাং শোক্লিংঙাই ওইবা চাংদা হন্থহল্লি অমদি কোলেষ্টরোল ৱাংখৎহল্লি।

মৈখু শীজিন্নবগী চাং হন্থবনা মতেং খরদি ফংবা য়াই, অদুবু মপুঙ ফানা তোকপা হায়বা অসিনা খুদোংচাদবা অসি কোকহন্নবগী অমত্তা ঙায়রবা পাম্বেনি।

ষ্ট্রেস: থবক্কী, ইমুংগী নৎত্রগা অতোপ্পা মরম অমা হেক্তদগী ষ্ট্রেস কা হেন্না লৈবনা হার্টতা প্রেসর পীবা য়াই অমদি কোলেষ্টরোল লেভেলশিং ৱাংখৎহল্লকপা য়াই। মসিনা আর্টরিশিংবুসু মাঙ তাকহল্লকপা ঙমই অমদি হার্ট এটেক তৌবগী চাং অদুক্কী মতীক হেনগৎহল্লকই। ষ্ট্রেস লৈরকপা মতমদা খাঙবা ঙম্নবনি হায়দুনা মীয়াম্না য়ু থকই, মৈখু শীজিন্নৈ অমদি কা হেঞ্জিন্না চাশিনবা তৌনৈ, হায়রিবা পুম্নমক অসিনা হার্টপু মখা তানা অমুক্কা হেন্না শোকহল্লি। ষ্ট্রেসপু নীংথিনা মেনেজ তৌগে হায়রগদি, হকচাং শাজেল তৌগদবনি, মসিনা হকচাংবুসু ইংথহল্লি অমদি হোর্মোনশিংবু রেগ্যুলেট তৌদুনা হার্টতা মতেং পাংই। ষ্ট্রেস নীংথিনা মেনেজ তৌনবগী অতোপ্পা লম্বীশিংগী মনুংদা হীরী কোনবা, ম্যুজিক তাবা, জর্নেল ইবা অমদি ইমুংগী মীওইশিংগা নৎত্রগা য়ুমদা লোইবা হূই/হৌদোংশিংগা মতম লেনমিন্নবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

জঙ্ক ফুদশিং: করিগুম্বা মীওই অমনা চয়োল চুপ্পা মতম শংদবমখৈ থবক শূরবা অমদি নোংমাইজিং নুমিৎকুম্বা চয়োলগী লোইশিল্লকপা নুমিৎতা খরা পোখাগে খনবা ওইরগদি, হকচাং ফরোইদবা, প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাকশিং চাবা অমসুং মপান্দা য়াম্না তোয়মন্না চাবা য়াবগী ওইথোকপা ৱাংই। হায়রিবা থৌওং অসিসু ব্লদ প্রেসর অমসুং কোলেষ্টরোলগুম্বা রিস্ক ফেক্টরশিংদা হকথেংননা এফেক্ট তৌবা মাঙ-তাক্লিংঙাই ওইবা অতোপ্পা হৈনবী অমনি। চাগদৌরিবা অচা-অথক অদুগী ন্যুট্রিসনেল কম্পোজিসনগীদমক মেন্যু য়েংদুনা মহাও অমসুং মচি ওইবা পোৎলমশিংগী ওইনা বেলেন্স ওইরে হায়না ফাওবা চীঞ্জাক অদুতমক চাবনা ফগনি।

কোকটেলশিং: য়ু হায়বসি হার্ট এটেক তৌহনবা মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমনি। মসিনা হকচাংদা ট্রাইগ্লিসেরাইদ কৌবা অমাঙ-অতা য়াম্না হেন্না থোকহনবা অমসুং কোলেষ্টরোল হেনগৎহনবা হকচাংদা ফত্তবা ফেট মখল অমগী লেভেল ৱাংখৎহল্লি। আর্টরি ফুনজিনবা অমদি হকচাংগী অরূম্বা হেনগৎলকপা হায়বসি য়ু কা হেন্না থকপগী অতোপ্পা মহৈশিংনি। থক্লবসু ময়ায় ওইরপ্পা চাংদা থকপা অমসুং ফত্তবা মহৈশিং হন্থহন্নবা হকচাং শাজেল তৌবা হায়বা অসি হার্ট মশা ফনা থম্নবগীদমক তঙাইফদনা মথৌ তাই।

SMOKING KILLS

আর্টিকেল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

নট সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈ ফাংনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী য়ু পিগী বনারশতা লৈবা কাশি বিশ্বনাথকী সনথোং অমা শাদুনা হিন্দুনা লাইনিং চৎপা মীয়ামদা লাইশঙ অসিগী অনৌবা মশক অমগা লোয়নন্না খুৎশিন্নখিববু শরুক য়াবা ওইনা কুম্বী এ সীদা বি জে পিগী ইন্টেনিদং কেন্দিদেট ওইরিবা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গিনা বি জে পি কুম্বী মন্দলগী মখাদা মহাক্লা অচৌবা থৌদাং লৌরগা শীন্দুনা নট সঙ্কীর্ত্তনগী ঈশৈ ফাংনবগী থৌরম অমা ঙসি কুম্বী গোভর্দোন ধারি লাই অচৌবা মান্দপতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি কুম্বী মন্দলগী প্রসিদেন্ট সেরাম অঙৌসনা, থৌরম অসিবু শীল-লাংবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট এক্স-মিনিষ্টর নিংথৌজম মঙ্গি অমদি এক্স-মিনিষ্টরগী লোয়নবী নিংথৌজম ওংবী যামিনিনা থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগা মরী লৈননা এক্স-মিনিষ্টর এন মঙ্গিনা ঙসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা কাশি বিশ্বাথকী লাইশঙদা শেমগৎলিবা অসুম্না করিগুম্বা লাক্কদৌরিবা ১২শুবা জেনরেল ইলেক্সনদা কুম্বী এ সীদা বি জে পিগী মীহুৎ অমনা মায় পাকপা থোক্লবদি কুম্বী মনুংদা খ্বাইদগী লিরবা হিন্দু লাইনিং চৎপশিংগী য়াম্না লুম্না লৌজবা কুম্বী গোভর্দোন ধারিগী মান্দপ অসি হেন্না মশক থোকপা লাইশঙ অমা ওইনা শেমগৎকনি হায়খি।

মাষ্টেক্না এব্রেয়র্নেস লেকচরশিং মফম কয়াদা পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি কাউন্সীল (মাষ্টেক)না কোভিদ-১৯ হায়বা থীমদা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা লৈরিবা স্কুল, কোলেজশিংদা এব্রেয়র্নেস লেকচরশিং পাঙথোক্কদৌরি হায়না মাষ্টেক্কী দিরেক্টর ডা. এল দিনচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, প্রোগ্রাম অসিনা মহৈরোয়শিংদা এব্রেয়র্নেস পীননবা পান্দম থল্লিবশিং অদুদি কোভিদ-১৯ অমদি মসিনা শন্দাকপগী মওং মতৌ, কোভিদ-১৯ নাদ্রিঙৈ, নারিঙৈ মনুং অমদি নারবা মতুংদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবশিং, ভেক্সিনেসনগী মতাংদনি। হায়রিবা আউটরিচ প্রোগ্রাম অসি লাক্লিবা দিসেম্বর ২৯দগী হৌরগা থা ২ চুপ্পা চৎথগনি। হীরমসিদা ইন্টরেষ্ট লৈবা হেদ মাষ্টরশিং অমদি প্রিন্সিপালশিংনা ওফিসল ওইবা লেট্টর হেদ নৎত্রগা প্লেন পেপর অমদা ওফিসকী সিল্ড নমদুনা অমদি ফোন নম্বরশিং য়াওহন্দুনা এপ্লিকেসনশিং পীশিল্লকপা য়াগনি। এপ্লিকেসন অদু ওনলাইনগী খুত্থাংদসু ওফিস অসিগী ঈমেলদা নৎত্রগা মশা লাক্তুনা ওফিসতা পীশিল্লবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোলশিং ওফিস অসিদগী খঙলবা য়াগনি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর টুরিজম দিভেলপমেন্ট সোসাইটিগী ২৬শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর টুরিজম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম টি দি এস)গী ইম্ফালগী ২৬শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি ডা. ভুমেচান্দ খাবগী পাঙ্গৈ নেপালি বষ্টি ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা ‘ইভেন্টো লোঞ্জ’দা ঙরাং পাঙথোকখ্রে হায়না এম টি দি এসকী কনভেনর ডা. ভুমেচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, সোসাইটি অসিগী প্রসিদেন্ট ৱাই ইবোয়াইমনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সোসাইটি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরম্বা নাওরেম জুগিন্দ্রো অমদি সোসাইটি অসিগী এদভাইজর ওইরম্বা খুমন্থেম জি কেননা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা তাইবং মপুদা থৌনিজখি। মণিপুর টুরিজম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি অসিগী ফাউন্দেসন দেনা লাকপদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুরবু টুরিজমগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবীরক্তুনা তোঙান তোঙানবা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন শেমগৎপীনবা থৌরাং তৌরিবা অসিগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। ষ্টেট লৈঙাক্লসু লৌথুপ লৌকোয় লৈতনা ইরমদম মণিপুরগী মহৌশানা পীরম্লবা শক্তম অসি কায়হন্দনবা অমদি মণিপুরী ফুরুপ অসিবু মশক তাকপা ঙম্নবা শেমগৎ-শাগৎহন্নিংবগী ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি। য়াম্না তাঙনা ফংলবা খুদোংচাবশিং অসি মাঙহন্দনা অকক্লবা মতমগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা মতিক চাবা থবক পায়খৎপীনবা হায়জরি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

নুমীৎ ৭নি চুপ্না চত্থরকপা শরিৎ-শরাক থাঙ-তাগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): মৈতৈ ইনাৎ শিন্দম অপূনবা, হৈঙাংনা শীন্দুনা থা অসিগী ৬তগী হৌরগা নুমীৎ তরেৎনি চুপ্না চত্থরকপা শরিৎ-শরাক থাঙ-তা ট্রেনিং প্রোগ্রাম ঙরাং হৈঙাং ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না মৈতৈ ইনাৎ শিন্দম অপূনবা (এম আই এস এ)গী সেক্রেটরি এন লোয়ালাকপনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরমদুদা পদ্মশ্রী এৱার্দী অমদি শরিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী এদভাইজর আর কে অচৌবাসনানা অথোইবা মীথুংলেন, সনা কোনুং থাঙ-তা লোয়শঙগী শিন্তাক পুরেল অমসুং শরিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল চীফ এদভাইজর থিংবাইজম ইবোহনবীনা থৌরম মপু, শরিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম লাশামোন অমদি জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী গুরু আর কে ওংবী সোরোজিনিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা লীক্লম কোংপাল, ঈ টি টি ও তাংখম, য়ু ঐচ এল এ শামুরৌ, বি দি ঐচ এল টি টি এ নম্বোল ককয়াই, মঙাল ইরোম মৈজ্রাও, টি টি সী এ থিয়াম লৈশাংখোং, কে এম টি টি এস পাঙলতাবী, পি ও এম এ সী আর সী শীংজমৈ, ঐচ এল এ টি টি য়াইস্কুল, এম আই এস এ হৈঙাং হায়রিবা শিন্দমশঙ তরাদগী ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা শরিৎ-শরাক, থাঙ-তাগী খোঙলোন-খুৎলোন, ফূন-কাঙলোনগী মহৈ কয়া তোঙান তোঙানবা ওজাশিংনা মহৈরোয়শিংদা তাকপী তম্বীখি হায়রি।

দিসেম্বর ১৭তা দিভিজনেল লেভেল দাক অদালট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): বাবুপারাদা লৈবা ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিসকী মথক্তা লৈবা ওফিস ওফ দি দিরেক্টর পোষ্টেল সর্ভিসেস, মণিপুর দিভিজন ইম্ফালদা দিভিজনেল লেভেল ‘দাক অদালট’ লাক্লিবা দিসেম্বর ১৭কী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা পাঙথোক্লগনি। দাক অদালট অসিদা পোষ্টেল সর্ভিসকী মতাংদা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মরমদা খন্নগনি হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পোষ্ট ওফিসেস মণিপুর ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মীয়াম্নসু অইবা ৱাকৎশিং ওর্দিনরি পোষ্ট নৎত্রগা স্পিদ পোষ্ট নৎত্রগা ঈমেলগী খুত্থাংদা দিরেক্টর পোষ্টেল সর্ভিসেস মণিপুর ইম্ফালদা এদ্রেস তৌদুনা থাবীরকপা য়াগনি। ৱাকৎশিং অদুদা মপুং ফাবা দিটেলশিং হায়বদি এদ্রেস অমদি রেজিষ্ট্রেসন রিসিপ্টনচিংবা য়াওহল্লক্কদবনি। সেভিং স্কিমশিং অমসুং পোষ্টেল লাইভ ইন্স্যুরেন্সকী ওইনা কমপ্লেন্ট তৌবদনা একাউন্ট নম্বর, পোলিসী নম্বর অমদি দিপোজিটর নৎত্রগা ইন্সুররগী মপুং ফাবা এদ্রেস পীরক্কদবনি। অইবা ৱাকৎশিং অদু লাক্লিবা দিসেম্বর ১৫ ফাওবগী মনুংদা ওফিস অসিদা য়ৌহল্লক্কদবনি হায়নসু খঙহল্লক্লি।

অতাঙবা মখলগী গোল্ডন ইগল অমা কনবা ঙমহৌদনা শিখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস): ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা ৱাঙুদগী সগোলশেম গিগিন কৌবা মীওই অমনা ঙসি শীন্নরকপা মশা শোক্লবা মপুং ফানা চাউরবা অমদি লমদম অসিদা তাঙনা ফংবা উচেক মখল, গোল্ডন ইগল অমা কন্নবা হোৎনবদা ঙমদনা শিখ্রে।

ঙসিগী গোল্ডন ইগল শিখিবগা মরী লৈননা এন মুনাল মৈতৈ এসিষ্টেন্ট কঞ্জার্ভেসন ওফ ফোরেষ্টনা হায়খিবদা, মণিপুরদা য়াম্না তাঙনা পাইরকপা উচেক মখল গোল্ডন ইগল অসি ঙরাং ৱাঙুদা অঙাংশিংনা লৌবুক্তা শান্নবদা তীল হিদাকনচিংবা হু চারুবগী মওং মান্না মচিনদগী ঈ ওরক্তুনা অহিং অথেংবদা গোল্ডন ইগল অদু কনবা ঙমদনা শিখিবনি। মসিদা মুনালনা লমদম অদোমদা ইন্সেক্টিসাইদসনচিংবা য়াওনা উচেকশিংগী হু থক্লমগনি হায়বগী চিংনবা লৈ।

ৱাঙুদগী সগোলশেম গিগিন কৌবা মীওই অমনা মশা শোক্লবা লমদমসিদা তাঙনা ফংবা উচেক গোল্ডন ইগল ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নরকখিবা

মরম অসিনা মীয়াম্না ঙসি শিরিবা গোল্ডন ইগল অসিগুম্বা তাঙলবা উচেক মখল কয়াবু কন্ননবা ইন্সেক্টিসাইদ য়াওনা উচেক লাংশিং থাকপীগনু। মখোয়গীসু মালেমদা হিংবগী রাইট লৈ অমদি শা-উচেকশিং য়াওদ্রবদি মীওইবা খুন্নাইনা হিংবা ঙম্লোই। মরম অসিনা মীয়াম্না লৈবাকসিগী লো লৈ খঙবীদুনা শা-উচেকশিংবু নুংশিবীয়ু অমদি মখোয়বু কনমিন্নসি হায়না মুনালনা মীদিয়াগী থোঙদা মীয়ামদা আপীল তৌরক্লি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৪।১২।২০২১ ইং, লৈবাকপোকপা;
পোইনুগী ১১ নি পানবা।

মেষ: নিংবা থুংবা, থবক্তা শেল থাদবা য়াগনি, মরুপ মপাংনা চানবীবা, শেন্দোং ফংজবা নুমিৎনি। পাইরক্কী লৌশিং অমদি হকশেলগী লমদা পেন্দবদি লৈখিনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

বৃষ: লেঙদবা লন ফংগনি, নচা-ননাইগী লমদা পুক্লিং পেঞ্জগনি, থবক থৌরম শিল-লাঙবা মীয়াম্না পাম্নগনি। অরিবা থবক্তা য়েৎনবা খরা লৈগনি-খাঙবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱাখল ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিথুন: নিংবদুমক পাঙবা ঙমজগনি অমদি খুৎচাও থাবা মতাং চাগনি। লৌশিং ফুদোকপা ঙমগনি অদুনা ৱাখল তান্নদবা লৈরসু তান্নথোকউ, শেন্দোং লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: মীপাইবা কোকচগনি, থবক পাঙগনি, হকচাং নুংঙাইবা হেনগনি, থাজদনা কান্নবা খরসু লাক্কনি। ফংবা য়াবা পনবা, মীয়ামগা মরি ফত্তবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নিংবা খরদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

সিংহ: মরুপ মপাংগা মুক্লবা নত্রগা মলোম লৈনবা লৈগনি-ফিংগনু অমদি নাইকোক ৱা তুপথোক্নু। অঙম অথৌনা চাদবীবা মাল্লসু মরৌ লৈ-থৌনা ফুদোক্নু।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

কন্যা: হকচাং নুংঙাইরে, মীনা থাগৎপিগনি, অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইগনি, অকিবা লৈতবনা অফবা মফম কনবা ঙমগনি। অফা-অপুনগী লমদদি খুউ শেল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- চরাংনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: ঙসিসু নিংবা থুংগনি, ৱাখল থোক্কনি, পল্লম্বা থবক পাঙগনি, লল্লোন ইতিক্তা চাওনা কান্নগনি। য়েক্লবা ময়েং তাগনি অমদি লৌশিং চাওবা নুমিৎনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: মীয়াম্না চানবীগনি, ৱাখল লৈনা থৌ পাঙবা, শেন্দোং তানবদা খুৎচাও থাবা য়াবা অফবা নুমিৎনি। হুরানবনা য়েংশিনবা অমদি নাপলনা মাঙজবদি লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: ৱাফংনবা তৌরুনু, ৱাসু য়ারিমখৈ ঙাংদবা ফগনি, মরম চাদনা খুৎচাও থাগনু। কনাবুসু পংথা থাজরুনু অমদি হান্নদৈ পায়রকপা থবক নত্তনা পায়দবা ফৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- য়াকা য়েংনা চৎলু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক।

মকর: হৈ-শিংবা অমদি লান্দবনা লন চঙবা অমদি মীনা থাগৎপিবা লৈগনি। ৱানোম থৌনোম কান্নগনি, পোরম শিনবা মচু তাগনি, য়েক্লববু লাকশিনগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- খাঙবা কল্লু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: মায় পাক্কনি, ৱাখল লৈবা নুমিৎনি-অদুনা খন্থরগা থৌ পাঙউ-অফবা মফম কনগনি। মীতোপ্পা ইনশিনবা লৌরদি মাঙজগনি-ইমা-ইপাগী ৱা থওইদবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি ৱাখলদা নুংঙাইজে।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: য়েক্লবনা মীখা পোলহন্নবা শিল্লক্কনি-ঈংথনা লৈয়ু। মীয়াম্না য়াবা থৌরম পাঙউ অমদি নঙগী ওইবা মীগী ৱা তাউ কান্নগনি। হোয়া ফরদি নচাক নরলদা মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।